# য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থাঙ্গৎলকপা দ্রাফট রিজোল্যুসনগী ৱারম খরা কোমথোকখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) :
হান্নগী অকনবা ডিমান্দশিং খরা কোমথোকহনবগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থমগদবা অনৌবা অথিংবশিংগী রিজোল্যুসন অমা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা সবমিট তৌখ্রে। চাইনা অমসুং রশিয়াবুসু চেন্নহনবগী পান্দমগা লোয়ননা য়ু এসনা রিজোল্যুসন অদু ভোট লৌনগদবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী পূং ২৪ য়ৌদবা মতমগী মাঙওইননা সবমিট তৌখিবনি।

থা অসিগী অঙনবদা ন্যুক্লিয়র ডিভাইস অমা পোকখায়হনখিবা মালেমগী ৱারেপ থৌওইদবা লৈবাক অদুবু চৈরাক ফংহন্নবগী দ্রাইভ অমা ৱাশিংটননা লূচিংদুনা চঙশিল্লকখি।

য়ু এসনা অহানবদা থাউগা মরী লৈনবা অকনবা অথিংবা থম্নবা হোৎনবগী মথক্তা নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং-উনগী এসেটশিংসু শীজিন্নবা য়াহন্দবগী পান্দম য়াওখি।

তৌইগুম্বসুং এসেট ফ্রীজ তৌবগী ৱাফম অদু অনৌবা দ্রাফট অদুদগী লৌথোকখ্রে হায়না ডিপ্লোমেটশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখি। মখোয়না থাউগী অথিংবা খুদক্তা মপূং ফানা থমজিনবগী মহুৎতা তপ্ন-তপ্না থিংজিল্লকপা য়াবগী মওং লৈ হায়খি।

অনৌবা টেক্সট অদুদা মপানদা থবক শুরিবা নোর্থ কোরিয়নশিংগী মথক্তা অথিংবা থম্নবা হান্না প্রপোজ তৌখিবা ৱাফমসু কোমথোকখি।

মসিদা নৎতনা য়ু এননা অথিংবা থন্বা কার্গো পুবা সিপশিং নম্ফুদা ইন্সপেক্সন তৌবগী ৱাফমসু কোমথোকখ্রে হায়রি।

হান্নগী মরুওইবা থৌরাং মঙাগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়ানা টেক্সটাইল এক্সপোর্ট তৌবদা অথিংবা থন্বগী ৱাফমদি কোমথোকখিদ্রে হায়রি।

হৌজিক লুরিবা ৱাফমদি সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী অতৈ ভিটো পাৱর পায়বা পর্মনেন্ট মেম্বর অনী – রশিয়া অমসুং চাইনানা রিজোল্যুসন অদু শৌগৎকদ্রা হায়বসিনি। থাঙ্গৈশেংবদি হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নিগোসিয়েসন কয়া চথখিবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়াগী মীচং চাইনা অমসুং রশিয়াবু পেলহন্নবগী পান্দমদা য়ু এসনা দ্রাফট রিজোল্যুসন অদুদা য়াওরিবা ডিমান্দশিং কোমথোকহনখিবনি।

রিজোল্যুসন অমা পাস তৌবদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বর ১৫ গী মনুংদা মাপননা মদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীবা অমসুং পর্মনেন্ট মেম্বর মঙা হায়বদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন, ফ্রান্স, রশিয়া অমসুং চাইনাগী মনুংদগী অমৎতনা ভিটো তৌদবা চঙই।

কুমজা ২০০৬ তগী নোর্থ কোরিয়াগী বলিষ্টিক মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মথক্তা অথিংবশিং হেনগৎহন্দুনা সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা রিজোল্যুসন নিপান য়ানখি।

হৌখিবা জুলাই থাদা নোর্থ কোরিয়ানা অশানবা মিসাইল অনী চাংয়েং তৌখিবগী মতাংদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা হৌখিবা থাদা লৈবাক অসিগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থমখি। ওগষ্ট ৫ গী রিজোল্যুসন অদুগী পান্দমদি কোল, য়োৎ, মিশি অমসুং সীফূদ থিংজিন্দুনা পিয়োংয়াংগী চহীগী এক্সপোর্ট রেভিন্যু দোল্লর বিলিয়ন ৩ অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমা হন্থহনবনি।

# হরিকেন ইর্মা ফ্লোরিদাগী মফম অনীদা থুংখ্রে, মফম কয়া পাক্তক্লনা ঈচাউ থোকহনখ্রে



মাইয়ামি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) :
হরিকেন ইর্মানা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফ্লোরিদাদা নুংশিৎশিং অমসুং টোর্নেদোশিং পুরকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী তঙ্খাই অমরোম ওইরিবা খরা নেম্বা মফমশিংগী অয়াম্বা শরুক শাফু কল্লবা নুংশিৎশিংনা চেনখৎলকপা ঈথক-ঈরৈশিংনা ঈশিং থুমহনখ্রে। খোঙজেল তপথরবা ইর্মাগী কোরনা ষ্টেট অদুগী ৱেষ্ট কোষ্ট (কি ৱেষ্ট) তগী টম্পা ফাওবা লেপ্তুনা হিট তৌখিবদগী ফিভম অসি লাকখিবনি।

নুমিৎ কয়া চুপ্পা ফ্লোরিদাগী মীয়াম্বু মীপাইহনখিবা অমসুং মীওই মিলিয়ন ৫.৬ লৈফম হোংহনখিবা চাউরবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা মফম অনীদা থুংখি হায়না ওফিসল ওইনা রেকোর্দ তৌখি।

অহানবদা নোংলৈ নুংশিৎ অদু অয়ুক পূং ৯.১০ রোম তাবদা ফ্লোরিদা কিজ হায়না খঙনবা খা থংবা কোষ্টকী মনাক্তা লৈবা ঈথৎ পরিং অমগী মথক্তা শিৎলকখি। ইর্মানা মফম অদুদা কেটিগরি ৪ গী হরিকেন অমা ওইনা হিট তৌখি। চেল্লকখিবা নুংশিৎশিংগী খোঙজেল অদুনা পূংদা মাইল ১৩০ রোম ওইখি।

ইর্মা থুংখিবা মতুং মতম শাংনা ঈথৎশিং অদুদগী ঈ-পাউ তাখিদে হায়বা য়াই, মরমদি মফমদুগী মীশিং মপানগা শম্নবগী লম্বী লৈখিদে হায়রি।

হরিকেনগী ফিভমশিং মফম অদুদা মতম শাংনা লৈবদগী মীয়াম্না খঙনরবা টুরিষ্ট এরিয়াশিং পাক্তক্লনা ঈশিং চাউনা থুমজিল্লবসু কি ৱেষ্টতা ময়াম্না হান্না কিনরম্বশিংদুমক্তি থোকখিদ্রে। তৌইগুম্বসুং ঈথৎ অদুদা মৈ, ঈশিং নৎত্রগা সেলফোন সর্ভিস ফংখিদ্রে হায়রি।

কি ৱেষ্টকী মতুংদা হরিকেন ইর্মা মমৈথংদা চাওরাক্লা পূং তরুক্লোম কান্নরগা বিচ টাউন মার্কো আইলেন্দ য়ৌশিনখিদুনা য়ু এসকী মপূং লমদা থুংখি। নুংথিল পূং মঙারোম তাবদা নোংলৈ নুংশিৎ অদু অৱাং পাংনা খুদোংথীবা নংনিঙাই ওইরবা অনেম্বা মফম ওইরিবা টম্পাগী মায়কৈদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা কেটিগরি ২ গী নোংলৈ নুংশিৎ অমা ওইনা ফোর্ট মাইয়রদা হিট তৌখি।

তৌইগুম্বসুং নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা 'সিটি অমখক্তা' হিট তৌবগী ৱাফম ওইনা ফোঙদোক্লবদি লানগনি হায়রি। নোংমাইজিং নুমিৎতা হরিকেন ইর্মা ফ্লোরিদা পূম্বগী নোংলৈ নুংশিৎ ওইখি। নোংপোক্লোমদা হরিকেন অদুনা লৈ লৈদুনা পুরিবা নোং মপৈশিংদু অদুক্কী মতিক পাক-শনখি মদুদি মখোয়না ফ্লোরিদাগী অতোপ্পা মায়োক্লবা কোষ্ট ওইরিবা মাইয়ামিদা টোর্নেদোশিং অমসুং ঈচাউ থোকহনখি।

নোংচুপলোমদসু নুংশিৎশিং মতিক ময়ায় য়াম্না কনখি। নুংশিৎশিং অদুনা হুম্বদা গল্ফ ওফ মেক্সিকোগী শক্তম ফাওবা হোংখি হায়রি।

চৈরকসিদা, নোংঙাল্লকপদা হরিকেন ইর্মানা মাঙহন-তাকহন-খিবশিং উবা ফংনখিবগা লোয়ননা ফ্লোরিদাদা সর্চ অমসুং রেস্ক্যু টিমশিং মখোয়গী মথৌ পাঙথোক্লনবা শেম-শানখ্রে হায়রি।

# ও আই সীগী লৈবাকশিংবু সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি চাওখৎহনবদা মলেসিয়ানা মতেং পাংগদৌরি

অষ্টানা, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) :
ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কোওপরেসন (ও আই সী) গী মেম্বর লৈবাকশিংবু সাইন্স, টেক্নোলোজি অমসুং ইন্নোভেসন (এস টি আই) ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহনবদা মলেসিয়ানা মতেং পাংনবা শেম-শাদুনা লৈ হায়না লৈবাক অসিগী সাইন্স, টেক্নো-লোজি এন্দ ইন্নোভেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

মলেসিয়াগী সাইন্স, টেক্নো-লোজি এন্দ ইন্নোভেসন মিনিষ্টর ডাতুক সেরি ৱিলফ্রেদ মাদিয়স টাঙাওনা হায়খি, হৌখিবা থাংজ নুমিৎতগী হৌখিবা ও আই সীগী সম্মিটকী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা বাইলেটরেল মীফমশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা ও আই সীগী মেম্বর লৈবাক কয়ানা কলাবরেসনশিংগী ৱাফম য়ানখ্রে। খুদম ওইনা হৌজিক হৌজিক মলেসিয়াদা চৎনরিবা এস টি আই পোলিসিগী ফ্রেমৱার্কপু য়ুগন্দানা মতৌ তম্বা পাল্লি হায়না মহাক্লা মখা তাখি। 'হৌখিবা থাংজদসু ঐখোয়না টর্কি অমসুং পালেষ্টাইনগসু বাইলেটরেল মীফম পাঙথোকখি।'

'লুনা লৌনবা ৱাফম কয়া পুথোক্লখি তৌইগুম্বসুং মীফম লোইবদা ঐখোয়না খ্বাইদগী মরুওইনা লৌগদবদি মীয়ামদা থবক ফংহনবা অমসুং শেন-থুমগী ফিভম ফগৎহনবনি হায়বসিদা য়ানখি।'

মরম অদুনা ঐখোয়না এস টি আই সেক্টর অসি তোঙান্না য়েংবা য়াররোই। লৈবাক অমৎতা এস টি আই য়াওদনা মখোয়গী হৌজিক লৈরিবা চাওখৎপগী থাকতু য়ৌখিবা নৎতে হায়না ৱিলফ্রেদনা ন্যু ষ্ট্রেট টাইমসকী এক্সক্লুসিভ ইন্টরভ্যু অমদা হায়খি।

মলেসিয়াগী মিনিষ্টর ৱিলফ্রেদ হৌজিক চহী অসিগী ও আই সীগী সম্মিটতা শরুক য়ানবা রিপব্লিক ওফ কজাখষ্টানগী কেপিটেল অষ্টানাদা লৈরি। মদু সাইন্স অমসুং টেক্নো-লোজিদা মরুওইবা মীৎয়েং থম্বা ও আই সীগী অহানবা সম্মিটনি।




সম্মিট অদুদা মেম্বর লৈবাকশিংনা অষ্টানা ডিক্লারেসন চৎনহনবগী ৱাফম য়ানগনি। ডিক্লারেসন অদুদা 'ও আই সী ২০২৫ : এক্সন প্রোগ্রাম অমসুং অষ্টানা সম্মিটনা পুথোকপা ডোক্যুমেন্ট' কী ফ্রেমৱার্ক য়াওরি। ৱিলফ্রেদনা হায়খি মদুদি, অষ্টানা ডিক্লারেসন অসি পুৱারীগী ওইবা মরুওইবা থৌদোক অমা ওইরগনি, মরমদি ও আই সীনা লৈবাক অমগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা এস টি আই ইন্দষ্ট্রিনা মখা তানা য়াম্না মরুওইনা লৌখিগনি হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ওর্গনাইজেসন অসিগী মরুওইবা এজেন্দা অমসুং ডিক্লারেসন পুথোক্লগনি।

# টাইৱাননা টাইফুন টালিমগীদমক শেম-শাখ্রে

*বৈরুট, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) :*
*য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হরিকেন ইর্মাগী চৈথেং খাঙলিঙৈ মরক্তা টাইৱাননা ঈথৎ অসিদা লাক্কদৌরিবা টাইফুন অমগী শেম-শাবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মখল মখা কয়াগী থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।*

*টাইফুন টালিম লাক্লিবা য়ুমশকৈশগী অথেংবদা ঈথৎ অদুদা থুংলগনি হায়না থাজনরি। টাইৱানগী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা চীংগী ভিলেজশিংগী মকোকশিং কন্টেক্ট তৌখি অমসুং সেল্টরশিংদা মীশিং লেম্না হোন্দোকপা, তুরেলশিং অমসুং মদস্লাইদ থোকপা য়াবা এরিয়াশিং য়েংশিনবনচিংবা থবক কয়া পায়খৎখি।*

*টাইৱান অসি চহী অমরোম খূদিংগী টাইফুন কয়াগী থুংফম ওই। তৌই-গুম্বসুং কুমজা ২০০৯ দা টাইফুন মোরাকেটনা ঈথৎ অদুদা শাথীনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা অমসুং মীওই ৭০০ লোম মদস্লাইদশিংদা শিখিবদগী ওথোরিটিশিংনা শেম-শাবগী থবকশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলকখি।*

*ঈথৎ অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদু ৱার্নিংশিং হান্নদগী হেন্না লুনা লৌনরে হায়না ওফিসলশিংনা হায়খি।*

*টাইৱানগী ওইনদি ডিজাষ্টর অমা থোকহনবা য়াবা খ্বাইদগী লুবা ফিভমদি নোং কা হেন্না চুবদগী চীংদগী লৈখোম-লৈনাং মপৈশিং চেন্থরক-পসিনি। টাইফুন মোরাকোট লাক্লিঙৈগী মমাঙদদি মীশিংনা অসিগুম্বা তাঞ্জাশিং লুনা লৌনখিদে, গেমল্লিংগুম্বগী মওংদা অমাঙ-অতা থোক্লকপসু থোক্লক্তবসু য়াই হায়না লৈনখি হায়না গভর্নমেন্টকী নেস্নেল সাইঅন্স এন্দ টেক্নোলোজি সেন্টর ফোর ডিজাষ্টর রিদক্সনগী সেক্রেটরি জেনরেল লি ৱৈ সেননা হায়খি।*

*টাইৱানগী মীওই মিলিয়ন ২৩ টাইফুনশিং লাকপদা হৈনরে হায়বা য়াই, তৌইগুম্বসুং ঈথৎ অসিগী সাইজ অমসুং হীদান্নবগী মওং ওইবা মীদিয়া ইনভাইরনমেন্টনা মীপূম খূদিংমকপু ওইরকপা য়াবা ফিভমশিং খঙহল্লি হায়রি।*

*'ঐখোয় মফম খূদিংমক্তা ঈ-পাউ ৱাৎতনা ফংই হায়না ঐহাক্লা খল্লি' হায়না নেস্নেল টাইৱান য়ুনিভর্সিটিদা জর্নেলিজমগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইরিবা কু লিন-লিননা হায়খি।*

*'টাইৱান অসি অপিকপা মফম অমনি। মফমসিদা মী য়াম্না কুংনা লৈ। নহাক্লা চৎলিবা মফম খূদিংমক্তা ঈ-পাউ উৎপা টিভি মোনিটর অমা উবা ফংগনি। মদু সবৱে নৎত্রগা অচৌবা লম্বীদা ওইরবসু উগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।*

# জর্মনিগী এয়রপোর্টতা টৈয়রগ্যেস এটেক চথখ্রে


ফ্রাঙ্কফর্ট, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) :
ঙসি জর্মনিগী ফ্রাঙ্কফর্ট এয়রপোর্টতা থোকখিবা টৈয়রগ্যেস এটেকনি হায়না চিংনবা থৌদোক অমগী মতুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ না শ্বর হোনবা নুংঙাইতবগী কমপ্লেন তৌনখ্রে হায়রি।

অৱাবা নংলবা ট্রাভেলরশিংগী ত্বীটশিংগী পাউখুম পরিং অমদা ফ্রাঙ্কফর্ট এয়রপোর্টকী ওফিসলশিংনা ওইরক্লিবা ফিভমদু লাকশিল্লে অমসুং গ্যেস এটেক অদুনা শোকহল্লবা মীওইশিং ট্রিটমেন্ট তৌরি হায়খি।

মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, জর্মনিগী খ্বাইদগী হেন্না মী চিনবা এয়রপোর্ট অদুগী টর্মিনেল অমদা লৈবা চেক-ইন দেস্কতা লৈরিবা মীশিংদা মশক খঙদবা মীওইশিংনা হকচাংদা নুংঙাইতবা পোৎশক অমা কাপশিল্লমখি। এয়রপোর্টকী ওথোরিটিশিংনা পুলিস অমসুং ফায়র সর্ভিসশিং কৌখি অমসুং মফমদুবু য়েংশিলহনখি।

থৌদোক থোক্লিঙৈ মনুংদা চেক-ইন কাউন্টরশিং ঙাইহাক্কী ওইনা থিংজিনখি। 'ফায়র ডিপার্টমেন্টকী ওপরেসন মপূং ফানা লোইশিল্লে। নুংঙাইতবা থোকহনগদবা মওংদা টৈয়রগ্যেসকী মচিৎ-মরাং অমৎতা লৈত্রে অমসুং এরিয়া অদু শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না ফ্রাঙ্কফর্ট এয়রপোর্টকী ওফিসল অমনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

# রোহিংয়া ৱাথোক্লা ম্যান্মারদা কাঙলূপ মশেলগী উংখৎনবা হেনগৎহনখ্রে



য়াঙ্গোন/কোক্স বাজার, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা থোক্লিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাং চয়োল অনী শুজিনখিবা অমসুং রোহিংয়া মুস্লিম ৩০০,০০০ লোম ষ্টেট অদু থাদোক্তুনা চেন্নখিবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অমা লাক্লে হায়রি। ফিভম অদুদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী বুদ্ধিষ্ট পগোদাশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে হায়না রোইটর্জগী পাউনা হায়রি।

হৌখিবা নোংমাইজিংগী নুমিদাংদা সেন্ট্রেল টাউন টোং ৱিন য়িদা লৈবা মোস্ক অমদা উতুপ-ৱাতুপ অমসুং থাঙশাংশিং পায়বা মীওই ৭০ রোম্না এটেক তৌনবা হোৎনখি। মখোয়না 'মসি ঐখোয়গী লৈবাকনি, মসি ঐখোয়গী লমনি' হায়না লাউখি হায়না মোস্ক অদুগী ইমাম মুফতি সুনলাইমাননা ফোঙদোকখি। 'ঐখোয়না মোস্ক অদুগী মৈ মুথৎলগা তুমিন্না থোক্লকখি' হায়না মুফতি অদুনা ফোনগী খুথাংদা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি।

গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা মীওই শঙ্গু অদু রাইঅট সিল্ডশিং লোয়নবা পুলিসনা রবর বুলেটশিং কাপ্তুনা তানখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

অৱাং থংবা রখাইন ষ্টেটতা রোহিংয়াশিংগী মায়োক্তা হাৎপ-তুপ্পগী থৌদৌ কয়া চথখিবগী লমন খুন্বা ওইনা সেপ্টেম্বর ১১ দা মুস্লিমশিংনা পাক্তক্লনা এটেক কয়া চথরগনি হায়বা তোকঙা কয়া সোসল মীদিয়াদা শন্দোকখি। বুদ্ধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক অদুগী অপূনবা মীশিং মিলিয়ন ৫১.৪ গী মনুংদা মুস্লিমশিংনা চাদা ৪.৩ রোম ওইরিবনি।

অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মি (অর্সা) না হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা পুলিস পোষ্টশিং অমসুং আর্মি বেজ অমদা এটেক কয়া চথদুনা মীশি-মীনা কয়া থোকহনখিবগী পাউখুম ওইনা মিলিটরিনা মুস্লিম লালহৌবশিং তকথোকপগী শাথীরবা কেম্পেন অমা চথরকখি। মিলিটরি কেম্পেন অদুনা মরম ওইদুনা রখাইন ষ্টেটতা লৈবা মুস্লিম খুঞ্জাশিং পাক্তক্লনা সাউদর্ন বাংলাদেশকী কোক্স বাজার রিজনদা চেন্নখি। ম্যান্মারনা হায়রি মদুদি, অর্সাগী এটেকশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লালহৌবশিং তকথোক্লবগী ওপরেসনশিং পাঙথোক্লিবনি। ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা অর্সাবু টেরৈরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রে।

অমরোমদা হ্যুমেন রাইটস মোনিটরশিং অমসুং লাঞ্জেল্লিবা রোহিংয়াশিংনা হায়রি মদুদি পুন্না মীওই মিলিয়ন ১.১ রোম ওইবা লৈবাক অদুগী রোহিংয়া কাঙলূপকী মীওইশিংবু লৈবাক অদুদগী তান্থোক্লবগী পান্দমদা আর্মি অমসুং রখাইন বুদ্ধিষ্ট ভিজিলেন্টিশিংনা য়ুম-কৈ অমসুং লন-থুম কয়া মৈ থাবগী কেম্পেন অমা চথরকখি। তোকঙা লাকশিনবগী পান্দমদা গভর্নমেন্টনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা অমদা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈননা উংখৎনবগী ফিভম লাকহনবা য়াবা তোকঙা শন্দোকপশিংগী মথক্তা লিগল এক্সন লৌখৎলগনি হায়খি।

হৌখিবা কুমজা ২০১২ অমসুং ২০১৩ দা লৈবাক অদুদা ডেমোক্রেটিক লৈঙাক লাকহন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎপা হৌখিবগা ইরোয়ননা থোক্লকখিবা কাঙলূপকী ঈরাংশিংদা মীওই কয়া শিখিবা অমসুং মীওই লীশিং কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্লখিবদগী বুদ্ধিষ্টশিং অমসুং মুস্লিমশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম লৈরকখি।

# ইজরেলনা এয়রস্পেস খোঙ্গাওনবগীদমক্তা লেবানননা য়ু এনদা ৱাকৎলগনি

বৈরুট, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) :
ইজরেলনা লেবাননগী এয়রস্পেস খোঙ্গাওনবা অমসুং লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা সাউন্দ বেরিয়র থুগায়দুনা অমাঙ-অতা থোকহন-বগীদমক্তা বৈরুটনা টেল অবিবকী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ৱাকৎলগনি হায়না লেবানিজ ফোরন মিনিষ্টরনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চহী কয়ামুক্কী মনুংদা অহানবা ওইনা ইজরেলি জেটশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লেবাননগী সাউদর্ন সিটি সাইদাদা জেটশিং নেমনা পাইদুনা সোনিক বূমশিং থোকহনখি অমসুং থোংনাও কয়া কায়হনখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং কয়া নিকহনখি হায়না লেবানিজ সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

ইজরেলি প্লেনশিংনা নেম্না পাইদুনা পোৎ-চৈ কয়া মাঙহন-তাকহনবা, মোরেল অমসুং সোভরন রাইটতা শোকহনবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা ঐখোয়না য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎনবা শেম-শাবা হৌরে হায়না ফোরন মিনিষ্টর গেব্রান বাশিলনা ত্বীট অমদা হায়খি।

লেবাননগী লমদা স্পাই ডিভাইসশিং থমজিনবা অমসুং লৈবাক অসিগী এয়রস্পেস তৎতনা খোঙ্গাওনবগীদমক্তা লেবানননা ইজরেলগী মায়োক্তা ৱাকৎ থাঙ্গৎলগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর সাদ অল-হারিরিনা ফোঙদোকখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

লেবানিজ আর্মিগী মতুং ইন্না, ইজরেলি ৱারপ্লেনশিংনা লেবাননগী এয়রস্পেসতা চঙশিল্লকপসি তোয়না থোকই, তৌইগুম্বসুং অসুম্না নেম্না পাইবসিদি তাঙনা থোকই। হীরম অসিগী মতাংদা ইজরেলি মিলিটরিনা খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট পীখিদে।

হন্দক্তা লেবাননগী হেজবোলাহ অমসুং ইজরেলগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকপা উখি। কুমজা ২০০৬ তসু নাকল অনীগী মরক্তা থা অমা লান শোক্লখি।

কুমজা ২০০৬ কী লাল অদুদা লেবাননদা অয়াম্বনা মীচমশিং ওইদুনা মীওই ১,২০০ রোম শিখি অমসুং অয়াম্বনা টুপশিং ওইদুনা ইজরেলি ১৬০ শিখি।



হন্দক চহী খরা অসিদা ইজরেলনা সিরিয়া মনুংদা মিলিটরি লীদরশিং য়াওনা ইরাননা শৌগৎপা হেজবোলাহদা টার্গেট তৌদুনা শাথীরবা মিলিটরি ষ্ট্রাইক কয়া চথখি। তৌইগুম্বসুং, নাকল অনীগী মরক্তা হকথেংননদি খূৎ থোক্লখিদে।

KANGLEIPAK COMPUTECH (L & B GROUP)
Singjamei Thokchom Leikai, Imphal West, Near SBI Bank, Manipur-795001
Deals in : COMPUTERS, COMPUTER ACCESSORIES, LAPTOPS, CCTV, PC GAMES, PRINTERS
Cheap & Best
Sales & Service
+
CCTV Installation &
Biometric Device Installation
Contact No. +91 7085163678, 0385-2441628
e-mail : kangleipakcomputech@gmail.com
Cheap & Best
LENOVO ASUS ACER HP TOSHIBA SONY SAMSUNG DELL
HL-P/2533/14to13 Sept.

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Ani Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XII SCIENCE FOUNDATION COURSE
(3RD BATCH) - 2017
Starting of Class : 11th September, 2017
Special Features :
1) Supply of exam oriented Study Material.
2) No. of Seats : 30 only
Class Timing : 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
*Van Service Available*
Managing Director
We nourish your future
HL-P/2136/19 Aug. to 16 Sept. (Alt.)